থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মীওইবনা তৌরিবা, ঙাংলিবা কনাগীদমক্নো?

মী মখল অমা লৈ। ৱা ঙাংবদা 'ঐ' হায়বা ফার্স্ত পর্সন অসি য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা। ঐনা অদু হায়রম্বা, ঐনা অদা তৌরম্বা... মানা অসি হায়রকপা ঐনা অসূম খুন্নম্বা। মানা কনাগুম্বা অমবু মরৈদা মায়থীবা পীরম্বা, মীনা তৌঙমদবা থবক অমা মানা লায়না তৌরম্বা, মশক হেনবী নুপী অমনা মঙোন্দা চাকশীল্লকপা, মাবু নুংশি হায়রকপা, নুপীদুগী থোয়চৎনবা মতৌদা মানা মীরায়থোক্লম্বা... অসিনচিংবগী ৱারী নত্তনা, মীনা লাকচখিবগী, মানা মায়থীবা নংবগী, নুপী অমনা মাবু মীরায়বীরকপগী, মানা থেম্বদা য়ারক্তবগী ৱারীদুদি কৈদৌঙৈদা লীরক্লোই। ঐনা নক্লনা লোয়নজবা মীওইশিংগী মরক্তসু য়াওই অসিগুম্বা মীওই কয়া। অসিগুম্বা তাঞ্জা লাকপদা ঐদি য়ারিবমখৈ হায়ননবা হোৎনৈ মখোয়দা... ঐ হায়বা ৱাহৈসি, ময়ামগী ওইবা থবক্তদি য়ারিমখৈ শীজিন্নগনু, ঐখোয় হায়বা ৱাহৈসিনা মহুৎ শীন্নবা হোৎনবীয়ু। ৱাহৈসিদা মখোয় শাওই। মখোয়বু কল্লক্তুনা হায়রিবনি- মীঙোন দা ৱারী শারম্মী।

ৱেস্তর্ন সাইকোলোজিষ্টশিংনা হায়- মখোয়দুবু কৌই এক্সত্রোভর্ত'। মশানা মশাবু থাজজবা মীশক। সেল্ফ- কনফিদেন্স হায়বা, মশানা তৌজবা থবক্তা মায় পাক্কনি থাজজবা, পোজিটিভ ওইবা মীশক অমসু লৈ। এক্সত্রোভর্ত হায়বসিদি মদু নত্তে। মশানা মশাবু নৈনবা (সেল্ফ-এসেসমেন্ট) হায়বা অদু য়াওদনা, মপান্থোংগী মতৌ খরদা 'কা হেন্না মশাবু থাজজবা' অদুবুনি। কনাগুম্বা স্পিরিচুয়েল লিদর খরনদি হায় - 'সেল্ফ কন্সিয়স' ওইবা হায়বসিমক পূক্নিংগী অনাবা অমনি। ইচম চম্না 'কন্সিয়স' ওইবা হায়বা অদুদি হকচাং ফবই মতৌনি। সেল্ফ-কন্সিয়স-ৱাহৈ অসিমক্না তাকই- মহাক্না খঙলিবসি মশা মথন্তনি, অতোপ্পবু খঙবা য়াওদে। কন্সিয়স ওইবা হায়বসিনা 'মশামক য়াওনা অতোপ্পবু অমদি অকোয়ববু খঙব'নি।

ঐ হায়বসি 'ইগো'নি। কান্নদবা নাপননি। অকোয়ববু খঙবদা ঐ হায়বা ইগোদু মাঙখি। অকোয়বদুগী শরুক অমা ওইখ্রবনি ঐ। অকোয়বা হায়বসিগী ঙমখৈ লৈতে- ঈরৈপাক, মালেম, অতিয়া। পূম্নমক অমত্তনি। মপূম অমদি মচেৎকী খেন্নবা লৈতে। ঐ হায়বসিনা মচেৎনি, ঐখোয় হায়বসিনা মপূমনি। অদুবু, কয়াদা লাইবক থীখ্রবা ! মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খূদিংমক অয়াম্বনা সেল্ফ-কন্সিয়স ওই। কন্সিয়স ওইবদি খরতনি। লম্বোইবা, ওইজবা থাদোক্লবা লাইনীংবা ! খন্নে পূম্নমক্না- মশানা মশাবু থাদোক্লবা, তাইবংগী ওইজ-ওইথক-অৱা-অনা-কল্লক-খম্বন পোক্ত্রবা মীশক্নি। অদুবু, কৃপ্না থিজিল্লবদি খঙগনি- মহাক্তি মশাতগী খনবা, মহাক মশাবু তাইবংপানবা (অকোয়বা) সিদগী নায়তোম উহন্নবা হোৎনরিবা, ইগো'না হায়বা, খ্বাইদগী হেন্না সেল্ফ-সেন্তর-ওইবা, সেল্ফ কন্সিয়স ওইবা মীশক্নি। লম্বোইবা হায়বসি মায়থীরবা মীশক অমনি।

মতাঙ চাবা ফাগি অমা নীংশিংলকই। নোং লেপ্তুনা তারকপদগী খুল অমগী ময়ায় ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল অদুদগী ঈশিং পাথোকপা হৌরক্লম্মী। খুঞ্জা অমা চেল্লক্তুনা মুল্লা নাসীরউদ্দিনদা হায়রখি,... মুল্লা সাহব, অদোমগী লোয়নবীদু তুরেলগী ঈশিংনা চেন্থখ্রে, ময়াম চঙদুনা কন্ননবা হোৎনহৌরিবনি, থুরো, চৎলু। কনবা ঙম্ব্রা য়েংলুচো...'

পাখত্তুনা চেনখ্রে নাসিরউদ্দিন। তুরেলদুদা চোংথখ্রে। অঙকপনি ! তোর্ব্বানগী মীশিংনা হায়রকই... 'করিনো? ঙাওরবরা নহাকপু। নঙগী নুপী অদুদি তুরেল ঈচেলনা চেন্থখিবনি, ঈচেলদুগী মায়োক্তা নঙনা ঈরোইরবদি কদায়দগী ফংলনি?'

নাসিরউদ্দিন'না খুল্লকই... 'নখোয়না মাবু মশক খঙদে, ঐনা লৈমিন্নরিবী নুপীনি, ঐনা মাবু মুন্না খঙই, চৎনবী খূদিংমকপু শীংনখিবনি, মহাক্তি তুরেল ঈচেলগা ঈরোয়ননা কৈদৌঙৈদা ঈরোয়রল্লোই...'।

ইগো হায়বসি মতম পূম্বদা চৎনবীগী মায়োক্তা লৈবনি। মিংচৎ পাম্বা, সেল্ফ ইগো ৱাংবা মীশিংনা মতম চূপ্পদা চৎনবীবু শীংনবা পাম্মী, খুদোংথীবগা মায়োক্লনীংই। মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল মাউন্ত এভরেষ্ট চীংদোল লোম্না কাখিবা, এভরেষ্ট খুদুম চনখিবা 'সার এদমন্দ হিল্লারি'দা কনাগুম্বা অমনা হংখি, 'মমাঙদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রবা, অসুপ খুদোংথীরবা থবক অসি নহাক্না তৌরুরিবা করিগীনো? শিগনি হায়বগী অকিবা পোকখিদবরা?'

হিল্লারিনা খুমখি হায়, 'মাউন্ত এভরেষ্ট, মীওইবনা খুদুম চনবা ঙমদনা লেপ্লিমখৈদি ঐ অমদি ঐগুম্বা মীওইবা কয়া ঈংনা য়াতাবা ঙমহল্লোই, ৱাখলদুনা ঐবু অহীং কয়া তূম্বা য়াহনখিদে, ঙসিদগীদি ঐ ঈংনা য়াতাবা ফংলনি।'

করিগীদমক এভরেষ্ট খুদুম চন্দৌরিবা? কনাগী করি কান্নবা ফংনবা, এভরেষ্ট চীংদোল কাদৌরিবা? এভরেষ্ট খুদুম চনবনা মীওইবা খুন্নাইগী করি কান্নবা পুরক্লবা? লৈতে। করিসু লৈতে। শীংনবা অমখক ঙম্বগী অপেনবা/নাপন অদুনি। শীংনবা? কনানা কনাদা শীংনরিবা? মীওইবগী ইগোদা মীওইবনা শীংনবা।

ঐখোয় ঐখোয়গী পুন্সিসিদা পানশিন্দুনা অমুক্তং য়েংবীয়ু- অদোম্না অদোমগী 'ইগো'দুগীদমক য়েংদুনা তৌরিবা থবক, ঙাঙলিবা ৱাঙাং-অদোম শক্লাকপীবা ঙম্বরা? অদোম্না চাউরবা, কোনুংগুম্বা য়ুম অমা মার্বলতনা য়োম্লগা শারিবা, কনাগীদমক্লো? হায়রক্কনি- ইশা-নুংঙাইনা লৈনবনি/নুংঙাইবা ফংলক্ত্রবা ইমা-ইপাগীদমক্নি/নুংশিরবা ইচা-ইশুগীদমক্নি। অদুবু তশেংবমক্তি, মদু পূম্নমক অমত্তা নত্তে। ইশা ইশাগী 'ইগো'দুগীদমক্নি।

লৌশিং পুক্কৈ

# মোবাইল ফোননচিংবা গেদজেটশিং

## কা-হেন্না শীজিন্নবনসু মতম চাদনা না তাথিবা ওইহল্লি



অনৌবা মতমগী পুন্সি মহিংনা মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা না তাথিবা মীশক ওইহল্লক্লি। রিপোর্ট অমনা হায়খি, নাকল অমদা কান্নবা কয়ামরুম পীরিবা মতমগী অনৌবা পোৎলমশিংনা অতোপ্পা নাকল অমদা মাঙ তাক্লবগী মশক ওইহল্লক্লি।

ময়া অনী লোংবা থাঙগী মতৌগুম নাকল অমদা কান্নবা পীরগা অতোপ্পা নাকল অমদা মাঙ তাক্লবগী মশক ওইরিবা মতমগী অনৌবা খুদোলশিংগী মনুংদা মোবাইল ফোনসু অমনি। মতম অমদা ইমুংগী কনাগুম্বা মীওই অমা লংফৈদা চৎখিবা মতমদা খুদক্কী অথু অকায় পাউ ফাওননবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক অৱাবা ওইরম্মী। অমুক্তং পাউ ফাওননবা হোৎনবদা চিঠি ইবা, নৎত্রগা টেলিগ্রাম থাবা, নৎত্রগা ট্রঙ্ক কোল তৌবদা মতম য়াম্না চঙলম্মী। মদুদা ফংই-ফংদে হায়বা অমসু লৈরিবনি। হৌজিক্তি মোবাইল ফোন থোরকপদগী অপাম্বা মীশক অমগা খুদক্তা হেক্তা ৱারী শানবা ফংলে। লম লাপ্পা লৈখিবা মীওইশিংগী ৱাদি থম্বু থমখিসি। য়ুম অমত্তা পুন্না লৈমিন্নরিবা মীওইশিং ফাওবা কা অমদগী অতোপ্পা কা অমদা চৎপা তনবদগী মোবাইল ফোনদা ৱারী শানরি। 'চাক লোইরে, চাক চারসি লাকও' হায়বা চাক-পাউ পীবগী ফাওবা মোবাইল ফোন শীজিন্নরক্লে। থৌওং অসিনা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং হন্থহল্লকপা মরম্না পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লক্লি। মতৌ অসুম্না মীওই কয়া হকচাংগী অৱম্বা অমদি অনোয়বা হেল্লকপদগী হার্ট দিজিজ, দাইবেটিস অমসুং কেন্সরনচিংবা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া নাবা থেংনরি।

পুন্নমক অসিগী মথক্তা মোবাইল ফোন তোয়না শীজিন্নবদগী মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা না তাথিবা মীশক ওইহল্লকই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসন (জে এ এম এ) গী রিপোর্টনা হায়খি, মীওই খুদিংমক মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবদি তাবা ঙম্বগী মতিক মাই তপ্পা তপ্পা হন্থরকপা হৌনশানি। অদুবু অনৌবা মতমগী পুন্সি মহিংনা মরম ওইরগা মশাগী চহী ৩০ শুরকপদা ঙাইরিবা মীওই কয়া না তাথিবগী ডোক্তরদা লায়েংবা লাকপা থেংনরে হায়রি। নুমীৎ চুপ্পা মোবাইল ফোন অমসুং অতৈ ইলেক্ট্রোনিক গেদজেটশিং শীজিন্নবনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি হায়রি। মীওইবদা তাবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই হন্থহল্লকপগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। ওইহল্লকপগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না লায়েংলগা ফহনবা ঙম্বগী চাংসু খেন্নে। কন্দক্টিভ হিয়ারিং লোস, সেন্সরিন্যুরেল হিয়ারিং লোস অমসুং মিক্সদ হিয়ারিং লোস হায়দুনা না তাথিবগী তোঙান তোঙানবা মখল অহুম লৈ। ইয়র কেনেল, ইয়র দ্রম, নৎত্রগা নাকোংগী ময়ায় থংবা শরুক অমদি মসিদা লৈবা অপীকপা শৰুশিংদা অশোয়বা লৈদুনা না তাথিবগী থৌওংবু কন্দক্টিভ হিয়ারিং লোস হায়না খঙনৈ।

নাকোংগী মনুং থংবা শরুক্তা অশোয়বা লৈদুনা না তাথিবগী থৌওংবু সেন্সরিন্যুরেল হিয়ারিং লোস কৌই। থৌওং অসিবু নর্ভ-রিলেটেদ হিয়ারিং লোস হায়নসু খঙনৈ।

কন্দক্টিভ অমদি সেন্সরিন্যুরেল হিয়ারিং লোস অনীমক পুনবগী থৌওংবু মিক্সদ হিয়ারিং লোস কৌই। নাকোংগী মপান, নৎত্রগা ময়ায়, নৎত্রগা মনুং থংবা শরুক, নৎত্রগা ওদিটরি নর্ভতা অমাঙ অতা থোকপদগী ফীভম অসি ওইহল্লকপনি। কন্দক্টিভ হিয়ারিং লোস ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি আওটর ইয়র, ইয়র কেনেল নৎত্রগা মিদল ইয়রগী ষ্ট্রকচর শোয়বা, লোক থুংবদগী নাকোংদা মহী লৈরকপা, নাকোং লাইখুন, এলার্জি, য়ুষ্টাচিয়ন ট্যুবকী মথৌ শোয়রকপা, নাকোং দ্রম হোবা, বিনাইন ট্যুমর, নাকোং নপথী লৈবা, ইয়র কেনেলদা ইনফেক্সন তৌবা, নাকোংদা অমোৎ-অকায় চঙখিবা অমসুং ওটোসক্লেরোসিসনচিংবনি।

সেন্সরিন্যুরেল হিয়ারিং লোস ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি অহৌবা মখোল তোয়না তাবা, কোক্তা শোকখিবা, ওটোইম্যুন ইন্নর ইয়র দিজিজ, ইমুং-মনুংগী ঈ মরীদা লোয়নরকপা, অহল ওইশিল্লকপা, নাকোংগী মনুং থংবা শরুক শোয়বা, মেনিয়র'স দিজিজ অমসুং ওটোসক্লেরোসিসনি। ওটোসক্লেরেসিস হায়বসি নাকোংগী ময়ায় থংবা শরুক্তা শরু মানবা অপীকপা পোৎশক অমা লৈরকপদগী তাবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থহল্লকপগী থৌওংবুনি।

কন্দক্টিভ হিয়ারিং লোস অমদি সেন্সরিন্যুরেল হিয়ারিং লোস অনীমক পুল্লগা ওইহল্লকপা না তাথিবগী থৌওংবু মিক্সদ হিয়ারিং লোস হায়না খঙনৈ। খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি অনৌবা মতমগী পুন্সি মহিংনা মরম ওইরগা মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা না তাথিবা মীশক ওইহল্লকপগী মতাংদনি। ৱর্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাউখৎলকপগী মতুংইন্না পুথোরক্লিবা মোবাইল ফোননচিংবা গেদজেটশিং তোয়না শীজিন্নবদগী মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা না তাথিবা মীশক ওইহল্লে।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# প্লাইৱুদ ফেক্টৰি অমদি সো মিলশিং থম্বীগনু হায়না মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে, ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকায়দা মাইনর ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেটকী প্লাইৱুদ ফেক্টৰি অমদি সো মিল চলাইরিবশিং অসি লৈঙাক্না থিংজিনবীয়ু নৎত্রগা খোইরোম মথক লৈকায়দগী মতম পুম্বগী হোংদোকপীখ্রো হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা লৈকায় মীয়াম্না খোইরোম মথক লৈকায় হেন্দপম্প মখোঙ কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা ৱাকৎ খোঙচৎ অমসু চৎখ্রে।



জে এ সী এগেনষ্ট দ ইষ্টাব্লিসিং ওফ দ খোইরোম এম আই ঈ ইন রেসিদেন্সিএল এরিয়ানা শীন্দুনা খোইরোম মথক লৈকায়দগী মতম চুপ্পগী খোইরোম এম আই ঈ হোংদোকপীখ্রো হায়বা বেন্নর মখাদা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অমনা ফোঙদোরকপদা, খোইরোম মথক লৈকায়দা লৈরিবা এম আই ঈ (মাইনর ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেট) অসি মফম অসিদগী লৈঙাক্না হোংদোকহনখিবা লৈকায় অকোয়বগী মীয়াম্না পাম্মী। মফম অসিদা লৈরিবা সো মিল ৫ অসিদগী থোরকপা মখোলনা অকোয়বদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং লাইরিক পাফম খঙদ্রে অয়েৎপা ওইরে, অশোন-অনা কয়া পোথাফম খঙদ্রে। লম্বীশিং নোংজু থাদনা লৈখোম-লৈনাং, ঈকং মতমদনা উফুলনা অৱাবা ওইহল্লে। অসিগীসু মথক্তা প্লাইৱুদ ফেক্টৰি ২ দগী থোরকপা মৈখুনা অকোয়বগী মীয়াম্না শোর হোঞ্জিনবা পামদ্রে, মীয়ামগী হকশেলদা শোকহন্নিংঙাই ওইরে, প্লাই ফেক্টৰিদগী থোরকপা ইচুম্না ঈশিং মোৎশিনহন্দুনা অমুবা মচু ওইনা লৈরে, ইংখোলশিং মনামশিং থাবা য়াদ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অসুম্না মীয়াম্না মীপায়নরিঙৈ চৈরক অসিদা অমুক অনৌবা প্লাইৱুদ ফেক্টৰি ৫ অমগা লিংখৎনবা থবক পায়খৎলকপা অসি মীয়াম্না য়ানিংদে। মৈখুনা তপ্পা তপ্পা মীয়ামগী হকশেলদা য়াম্না শোকহল্লক্কদবা ওইবনা অমসুং তুংগী মীরোল কন্নবা এম আই ঈ অসি থিংজিনবা নৎত্রগা মফম অসিদগী হোংদোকখিনবা লৈকায় মীয়াম্না পাম্মী। অদুনা লৈকায় মীয়ামগী অপাম্বা অসি ফংনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না পূক্নিং চিংশিনখি।

ৱাকৎ মীফম অদুগী মতুংদা লৈকায় মীয়াম অদুনা সো মিল অমদি প্লাইৱুদ ফেক্টৰি লৈরিবা মফম অদু ফাওবা খোঙচৎ অমসু চৎখি। খোঙচৎ অদুদা য়ুম ময়াদা সো মিল প্লাইৱুদ ফেক্টৰি থম্বা য়ানিংদে অতোপ্পদা হোংদোকখো, ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিনহনবা য়ানিংদে, ফত্তবা নুংশিৎ শোর হোঞ্জিনবা পামদে অমদি অকোয়বগী ফীভম কনসি হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

# য়ুঙৌ লিটর ২৫০ রোম ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুথৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা খুরাই সাজোর লৈকায়দা কাদাগী টিম অমনা দ নেতাজি মেমোরিএল ক্লবকী মতেংগা লোয়ননা চথখিবা দ্রাইভতা য়ুঙৌ লিটর ২৫০ রোম ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



ফাগৎলবা য়ুঙৌশিং অদু দ নেতাজি মেমোরিএল ক্লব, খুরাই কোংপাল থৌবান্দোংদা পুরক্তুনা হৈদোক্তুনা মাঙহনখি। দ্রাই ষ্টেট ওইরবা লমদম অসিদা অথিংবা অমত্তা লৈতবগুম্না য়ু মরাং কায়না ফংলি। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক অমদি ষ্টেটকী মেছিন্নরিশিংনা য়ু থিংনবা হোৎনবগী মহুৎতা য়ু থিংবা ঙমদ্রবনিনা লিগেলাইজেসন তৌবনা ফগনি অমসুং য়ু লিগেলাইজেসন তৌগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকপসি লাইবক থীবনি। হীরম অসিদা মীয়াম শরুক য়াদুনা তরেৎ-তরা থোক্না খন্নহৌবনা খুন্নাই অসিগী তুংগী অফবা ওইগনি। নম্ফুদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌনবা হোৎনবনা অফবা পুরক্লোই। লৈবাক ঈরাং হৌবা ওইনা থোক্কনি অমসুং খুন্নাই অসিদা য়ুগী শাথিবা চৈথেং মায়োক্লরক্কনি। য়ু লিগেলাইজেসন তৌবনা খুন্নাইদা কান্নগদবা অমসুং য়ু লিগেলাইজেসন তৌবনা খুন্নাইদা কয়া য়াম্না মাঙজগদগে হায়বগী চপ চাবা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্তুনা খন্নগদবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# তেংবাঙদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ০৪ (ঐচ এন এস) : হ্যুমেন রাইটস ইনিসিএটিভ ইন্দিজিনস এদভান্সমেন্ট এন্দ কনফ্লিক্ট রিজোল্যুসনগী ১৪শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমগা মরী লৈননা লমদম অসিগী ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা কথোকপা অমগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লমদম অসিবু কন্ননবগীদমক থবক থৌরম পাঙথোকখিবা মৈরা পায়বী নুপীশিংদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লিশিং ৩/৩ গী পীখ্রে হায়না হ্যুমেন রাইটস ইনিসিএটিভকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙখিবা অসি মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিংনা এন্টি দ্রগ এন্দ হ্যুমেন রাইটস ইস্যুশিংদা মাঙজিল থানা চঙশিনখিবা খোঙজংশিং অমদি লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মখোয় মখোয়গী য়ুমদা চৎতুনা পীখিবনি হায়রি।

# হিয়াং কুম্মৈদা নাৎকী ফিজোল শীজিন্নবীয়ু : য়োকখৎ লূপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : শিন্তাকপা-শিন্তাকপীশিংগী নুমীৎ অমদি হিয়াং কুম্মৈদা নাৎকী ওইবা ফিজেৎ-লৈতেং ঙাক্না শীজিন্নবীয়ু হায়না ইনাৎ য়োকখৎ লূপকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এম নোংপোকঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিদা শিন্তমশঙ স্কুল-স্কুলশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা টিচর দে থৌরমদা নাৎকী ওইবা থৌরম পাঙথোকপদা মহৈরোয়শিংনা জগোয়-ঈশৈ খুদোল তম্বা মতমদা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু, ইমা-ইবেলশিংনা চেকশিন্না থম্বীরম্লবা ফিজেৎপু শেমদোক শাদোকপীগনু। উরিকসেট অমদি মখল মখা কয়াগী কজেংলৈ শীজিন্নবীগনু। স্কুল-স্কুলদা থৌরম শীনবী-লাঙবীরিবশিংনসু চেকশিনবীয়ু। নাৎকী ফিজেৎ-লৈতেং কাঙলোন চুম্না শেৎতুনা মালেমদা ঐখোয়গী নাৎ ঐখোয়গী শক্তম ময়েক শেংনা তাকমিন্নসি অমদি য়োকখৎমিন্নসি।

শিন্তমশঙ কয়াদা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীরিবা শিন্তাকপা-শিন্তাকপী পুম্নমকপু ইনাৎ য়োকখৎ লূপনা কোক নোন্না ঈকায়খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা লমদম অসিদা কুমগী থৌরম ওইনা পাঙথোকপীরিবা হিয়াং তান্নবা কুম্মৈদা শরুক য়াবীরিবা ইচিল-ইনাও, ইচে-ইচলশিংনসু নাৎকী ওইবা ফিজেৎ লৈতেংবু কাঙলোন থুগায়বীগনু। অশোয়-অঙাম থোক্লক্তনবা শীল্লি-লাঙলিবশিংনসু চেকশিন্না য়েংশিনবীদুনা মওং-মরিল তাদবশিং শরুক য়াহনবীগনু। ইনাৎ য়োকখৎ লূপনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী নাৎ, চৎনবী, শক্তম কন্ননবগী খোঙজংদা ইরৈচাশিংনসু শৌগৎপীয়ু অমদি মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

# লেৱানা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ০৪ (ঐচ এন এস) : খাঙবোক এ সীগী মনুং চনবা লমদিং চেরাপুরদা লৈবা লাইশ্রম কমলাগী মপুরোইবা লাইশ্রম কুশা হৌজিক হৌজিক হার্ট নাদুনা গুৱাহাতিগী হোস্পিটাল অমদা লায়েংদুনা লৈরিবা অসিদা মতেং ওইনবা হায়দুনা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা)না শেল ওইনা লুপা লিশিং ১২ মতেং পাংখ্রে হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ꯂꯥꯟꯅ ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম



তাইবংপান্দা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বা **সানাবম ধাবলজিৎ মঙাং** (Advocate)-না তাইবঙগী পুন্সি চেংজেল লোইরদুনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ০১/০৯/২০২২ লাংবন থাগী ৫নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা য়াইবীনা মপুগী লৈকোন্দা তিঞ্জখ্রে।

চৎলিবা চৈচৎ ০৫/০৯/২০২২ লাংবন থাগী ৯নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মঙানি লৈহুন তমজরগা, চৎলিবা চৈচৎ ১১/০৯/২০২২ লাংবন থাগী ১৬নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লান্ন-থৌরম থোক্লে। কোরৌ নোংজা অসিদা লৈখিদ্রবগী য়াইবীরেন্না ঈংনা চিক্লা মপুগী লৈকোন্দা তিঞ্জখিনবা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং শিঞ্জ-লাংজদুনা তাইবঙ মপুগী মিঙ্খে শকচ-শোঞ্জগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, শাগৈ-নাতৈ খ্বাই খিবিক্না মতম চানা খোংদোইবিরক্তুনা তাইবং মপুগী মিঙ্খে শকচ-শোঞ্জবা তাবীরনবা অমদি লুকলেন ফংবিরনবা পাউচেগী থোঙদা চেনা লৈরাং লৈহুৎ শিন্দুনা লৈ য়েঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা চেনা লৈরাং লৈহুৎ শিন্না পাউজেঞ্জবগী অরান অহুই খিবিক ঙাকপীগনি।

**পাউজেঞ্জরিবশিং ঃ-**

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। সানাবম ওংবী য়ুম্নাম নিঙোল কুঞ্জারাশি লৈমা | (লোইনবী) | ১। সানাবম গুনাজিৎ মঙাং | (মচানুপা) |
| ২। সানাবম নিঙোল পেম্মা লৈবা | (মচানুপী) | ২। সানাবম রিঙ্কু মঙাং | (মচানুপা) |
| ৩। সানাবম নিঙোল ধানাপ্যারি লৈমা | (মচানুপী) | ৩। সানাবম সুংসুং মঙাং | (মচানুপা) |

**থৌরম পরেং ঃ-**

| | |
|---|---|
| থৌরম হৌবা | - অয়ুক পুং ৮.৩০ |
| মপুগী মীঙ্খে শক শোনবা | - অয়ুক পুং ৯.৩০ |
| লুকলেন ফংবা | - অয়ুক পুং ১১.০০ |

লম্ফেল য়াইফা লৈকাই, ইম্ফাল।

HL-P/3764/5

ফোন নং : 8794959921

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।০৯।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক পুং ৮.২৮ ফাওবা লাংবনগী ৯ পাল্লি, মতুংদি ১০ নি পাল্লনি।

মেষ: মীয়াম পুনবনা হেন্না নুংঙাইজবা অমদি নচাক নরল চাওখৎপা নুমিৎনি। হেন্না আশা চাওবা, মীতোপ থাজবা অমদি অনম তানবদি কান্নফম খঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: খোয়রাং খোয়শাওনবা ফাথবা অমদি নোল্লক্লা চৎচবনা য়াইফগনি। নাইতোম ৱা তুপকনু, অনৌবা থবক্তা খুৎচাও থাখিনু। হান্নদৈ পাঙলকপা থবক্তদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা, হকচাং খিঙবা, অফবা মরুপ ফংবা, মরুপ-মপাংগী মতেংনা চাওখৎপা ফংগদবা নুমিৎনি। ফিংলদি য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপদা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: মীচঙ হেনগৎপা, অনৌবা থৌরমদা মায় ওনশিনবা য়াবা, লৌশিংসু চাওবা, নথক থোংবনা লুনা চান্না তৌবীবা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নরদি থবক মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: কোক শাদনবা নাপল তৌগনু অমদি মতম মাঙদনবা হোয়া ফগনু। মীয়াম্না চানবীবা, পুক্লিং মকা লাম্না থৌপাঙবনা কান্নবা লৈগনি। থৌনা ফুদোকপসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কন্যা: খন্থদনা থৌপাঙলদি মরী ফরোই, পন্দুনা লৈবা থবক্কী লমদা মীমাং থোক্তনবা ৱাঙাং চেকশিল্লু। থৌনা লৈবা অমদি নক্লবগী মতেংনা কান্নবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

তুলা: য়েৎনবা অমদি হুরান চিন্থিগী মরম নত্তবা লমশিংদা মায় পাক্কনি। চুম্লে খঙবা থবকশিংদা খুৎচাও থাহৌরো। শকখঙদবনা ইনশিনবা লৌরদি ইমুংদা ঈংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: অরাপ্পদগী নুংঙাইবা পাউ তাগনি, খল্লুদবা ওইজ-ওইথকসু ফংগনি, য়েক্লবা লৈরম্লসু ঙমজদুনা ইচঙ থৌনা অমদি খুৎলোইনা থবক পাঙবা ঙমজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: হরাওবা নুংঙাইবা, ৱাখল থোকপা, নচা-ননাইগী লমদসু মায় পাকচবা অমদি মীনা কিনবা নুমিৎনি। অফবা থবক্তা নাপল য়াওদ্রদি পুক্লিং ঈংনা পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: অফা অপুনগী থবক্তা য়াওগে খনগনু, চিন য়াওরুবনা নথক থোংবনা তাথিবা লৈগনি-ৱা ঙাংদবনা মফরে। নচা-ননাই নত্তনা নঙগী উকল লৈতে থাজৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্ভ: অনৌবা থৌরমদা মায় পাক্কনি, শেন্দোং তানবা লমদনা হেন্না কান্নগনি। অদুম্বদা য়ুম্ফম ওইরগদি হেন্না মাঙজিল থাগনি। মরুপ মপাং অফবা তাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ওইজবা খরদি ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: নীংবদুমক পাঙবা য়াগনি, পাঙ্গল থোক্লা মায় পাক্লবা হোৎনবদা মীকোক থোংনা মায় পাক্কনি, নথক থোংবগনসু য়াগনি। নরলদা কল্লক য়েংথিবদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈ-লাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।